# নাটোদা য়াওবা অশোয়বা খোঙথাং ওইগনি হায়না পুটিননা ফিনলেন্দদা ৱার্নিং তৌখ্রে



মোস্কো, এপ্রিল ১৫ (এজেন্সী): রসিয়াগী প্রসিদেন্ট ৱ্লাদিমির পুটিননা ফিনলেন্দগী মহাক্কী লেঙমান্নবদা ৱার্নিং পীরদুনা হায়খ্রে, মদুদি নাটোদা য়াওবা অমসুং ফিনলেন্দগী ন্যুট্রেল ষ্টেটস থাদোকপা হায়বসি অচৌবা অশোয়বা অমা ওইগনি।

ফিনলেন্দগী সেক্যুরিটিদা অকিবা পীবা লৈতে হায়রদুনা পুটিননা সাউলি নিনিষ্টোদা ৱার্নিং অদু পীখিবনি। ফিনলেন্দনা অথুবা মতমদা নাটোদা য়াওনবা হৌনবী মতুং ইন্না দিফেন্স এল্লাইয়ন্স অসিদা হায়জদ্রিঙৈগী মাঙওইননা লৈবাক অসিগী প্রসিদেন্টনা পুটিনগা ফোনদা ৱারী শান্নখিবনি।

রসিয়ানা য়ুক্রেনদা লান্দাখ্রবা মতুংদা স্ৱিদেননসু নোংচুপলোমগী এল্লাইয়ন্স অসিদা য়াওনিংবগী অপাম্বা ফোঙদোকখ্রবনি। ফিনলেন্দ অসি রসিয়াগা কিলোমিটর ১৩০০ শাংনা বোর্দর লোন্নদুনা লৈরিবনি।

হৌজিক ফাওবগী ওইনদি লৈবাক অসিনা নোংচুপ থংবা য়ুমলোন্নবা লৈবাক রসিয়ানা নুংঙাইতবা তৌদনবা নাটোদা য়াওদনা লৈরকখি। ফিনলেন্দগী খোঙথাং অদুগী মতাংদা পুটিনগী মায়কৈদগী লম্মন খুম্বগী খোঙথাং লৌখৎকনি হায়না অকক্পনা কিহনখিবা লৈত্রবসু রসিয়ন ফোরেন মিনিষ্ট্রিনদি করিগুম্বা ফিনলেন্দনা নাটোদা য়াওশিনবা তারবদি অদুগী মায়োক্তা লম্মন খুম্বগী খোঙথাং লৌখৎলক্কনি হায়বগী ইঙ্গিৎ পীখি।

রসিয়ানা ফিনলেন্দদা ইলেক্ত্রিসিটি সপ্লাই তৌবা লেপখিবসি ফিনিস গভর্নমেন্টগী খোঙথাং অদুবু য়ানিংদবা উৎপা হৌরকপনি হায়না লৌনরি। ষ্টেটমেন্ট অমদা রসিয়ন ইনর্জি সপ্লাইয়র আরএও নোর্দিক্কা ফিনলেন্দদা ইলেক্ত্রিসিটি সপ্লাই লেপ্পগী মতাংদা পেমেন্টগা মরী লৈনবা প্রোব্লেমশিং পনখি।

ফিনলেন্দগী নেসনেল একজিক্যুটিব রেমা পাইভিনেন্না এজেন্সিদা ফোঙদোকখিবদা রসিয়ানা ইনর্জি সপ্লাই লেপ্পা অদুনা ফিনলেন্দদা প্রোব্লেম অমত্তা থোকহনবা লৈতে।

মহাক্না হায়খি, মদুদি রসিয়াদগী ইনর্জি লৌরিবদু নেসনেল সপ্লাই অপুন্বগী চাদ ১০ রোমদনি। পৱারগী চাং অসি অতোপ্পা ছোর্সশিংনা মহুৎ শিনবা য়াগনি।

নিনিষ্টো অমসুং পুটিনগী মরক্তা থাংজ নুমিত্তা ফোনদা ৱারী শান্নখিবা অদুগী মতাংদা ক্রেমলিননা হায়খি, মদুদি ফিনলেন্দগী সেক্যুরিটিদা অকিবা পীবা অমত্তা লৈতবনা লৈবাক অসিনা মহৌশাদগী চৎনরকপা পোলিসি অমা ওইরিবা মিলিটরি ন্যুট্রেলিটি অসিবু লেপখিবা তারবদি অচৌবা অশোয়বা অমা ওইগনি হায়না রসিয়ন লিদর অদুনা মহাক্কী লেঙমান্নবদা চেকশিন্না খঙহনখি।

মখা তানা ক্রেমলিনগী ষ্টেটমেন্টনা হায়, লৈবাক অদুগী পোলিটিকেল ওরিয়েন্টেসনদা অসিগুম্বা অহোংবা অমা লাকপা তারবদি মদুনা চহী কয়া চঙনা য়ুমথংনবা অমগা অমগা মতেং পাঙনবা পার্টনরশিং ওইনা শাগৎলকখিবা রসিয়া অমসুং ফিনলেন্দগী মরীদা নেগেটিব ইম্পেক্ট অমা পীগনি।

ৱারী শান্নবা অদু লোইরবা মতুংদা ৱা ঙাঙবদা নিনিষ্টোনা হায়খি, মদুদি য়ুক্রেনদা লান্দবগা লোয়ননা রসিয়ানা হন্দক্তা লৌখৎখিবা খোঙথাংশিংনা ফিনলেন্দগী সেক্যুরিটি এনভাইরনমেন্টদা অহোংবা লাকহল্লে হায়বা ৱাফম মহাক্না পুটিনদা থমখি।

অমরোমদা, ফিনলেন্দগী রুল্লিং সোসিএল দিমোক্রেটিক পার্টিনা লৈবাক অসিনা নাটো মিলিটরি এল্লাইয়ন্স মেম্বর অমা ওইনবা লৌখৎলক্লিবা খোঙথাং অদুবা শৌগৎপা ফোঙদোকখ্রে।

চহী অনীগী মনুংদা পাঙথোকপা পার্টি কনভেন্সনশিংগী মরক্তা খ্বাইদগী ৱাংবা থাক্কী দিসিজন-মেকিং বোদি ওইরিবা পার্টি কাউন্সিলনা থাংজ নুমিত্তা ফমখিবা মীফমদা নাটোদা য়াওনবা এপ্লাই তৌবগী ৱাফম শৌগৎখিবনি।

কাউন্সিলগী চিয়ার সির্পা পাটেরোনা মেদিয়াদা হায়খি, মদুদি নাটোদা য়াওবগী ৱাফম অসিবু মেম্বর ৫৩ না শৌগৎখি। মেম্বর মঙানা খোঙথাং অসিগী মায়োক্তা ভোট পীখি অমসুং মেম্বর অনীদি ভোট লৌনবা অদুদা য়াওখিদে।

পার্টিগী চিয়ার ওইরিবা প্রাইম মিনিষ্টর সানা মারিননা মে ১২ দা মহাক্কী পার্টিনা ফিনলেন্দনা নাটোদা য়াওবগী ৱাফম অসি শৌগৎলি হায়না প্রসিদেন্ট সাউলি নিনিষ্টোগা লোয়ননা থোকখিবা জোইন্ট ষ্টেটমেন্ট অমদা লাউথোকখি।

সোসিএল দেমোক্রেট পার্টি পার্লিয়ামেন্টরি গ্রূপশিংনসু থাংজ নুমিত্তা ফিনলেন্দনা নাটোগী মেম্বর ওইবগী ৱাফম শৌগৎলি হায়না লাউথোকখি।

# পাকিস্থানদা সিখ অনী নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎখ্রে, চেন্নবশিং খুদক্তা ফানবা খঙহনখ্রে



পেসৱার, মে ১৫ (এজেন্সী): পেসৱার সিটিগী মনাক্তা সিখ কম্যুনিটিগী মীওই অনী মশক খঙদবা মীওইশিংনা নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎলল্লে হায়না নোংমাইজিং নুমিত্তা পুলিসনা ফোঙদোরক্লি।

ষ্টেটমেন্ট অমদা পেসৱার কেপিটেল সিটি পুলিস ওফিসকী স্পোক্সমেন ইজাস খাননা ফোঙদোরকখিবদা থৌদোক অদু সর্বান পুলিস ষ্টেসনগী জুরিসদিক্সন মনুংদা থোকখিবনি।

মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা মশক খঙদবশিংনা নোংমৈনা কাপ্লগা হাৎলল্লবা সিখ কম্যুনিটিগী মীওইশিং অদু মশাগী চহী ৪২ শুরবা সুর্জিৎ সিংহ অমসুং মশাগী চহী ৩৮ শুরবা রঞ্জিৎ সিংহনি হায়বসি খঙবা ঙল্লে। মখোয় বাটাটাল লোকেলিটিদা স্পাইসকী দুকানশিং চল্লাইবা মীওইশিংনি।

থৌদোক অদুগী পাউ ফঙবগা পুলিস টিম য়াম্না থুনা লাকখি অমসুং অশিবা হকচাংশিং অদু ওটোপসি পাঙথোক্লবা হোস্পিটালদা পুখি। ক্রাইম মফম অদুদগী ওফিসিএলশিংনা ইভিদেন্সসু লৌখৎখি।

ওফিসিএল অসিনা হায়, থৌদোক অদু করম্না থোরকখিবনো হায়বা খঙনবগীদমক অকোয়বা মফমশিংদা খিল্লিবা সিসিটিভি কেমেরাশিং চেক তৌরি। মফম অদুদগী নাম্থোক্তুনা চেনখ্রবা সস্পেক্টশিং অদু ফাননবা থী হুম্বগী ওপরেসন অমা লোঞ্চ তৌখ্রে।

থৌদোক অদুদা চেন্নবশিং থুনা মশক খঙলগনি হায়না মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

খাইবর পাখতুনখুৱাগী চীফ মিনিষ্টর মেহমুদ খাননা এটেক্ট অদুদা চেন্নবশিং ফাননবা প্রোভিন্স অদুগী ইন্সপেক্তর জেনরেল ওফ পুলিসতা য়াথং পীখি।

থৌদোক অদু পেসৱারগী লো এন্দ ওর্দরদা অকায়বা পীননবা হোৎনরকপা অমনি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

প্রাইম মিনিষ্টর সেহবাজ সারিফ অমসুং ফোরেন মিনিষ্টর বিলাৱল ভুটো জর্দারিনা থৌদোক অদুবু অকনবা মওংদা কন্দেম তৌখি।

ষ্টেটমেন্ট অমদা সারিফনা হায়খি, মদুদি সিটিজনশিং মরু ওইনসা মাইনোরিটিশিংগী প্রোপর্টি অমসুং মখোয়গী পুন্সি খুদোংথীবা নঙহন্দনবগী খোঙথাংশিং লৌখৎনবা মহাক্না চীফ মিনিষ্টরদা খঙহনখ্রে। সস্পেক্টশিং অদুবু ফাবগা লোয়ননা লোগী মতুং ইন্না মখোয়বু চৈরাক পীনবসু মহাক্না চীফ মিনিষ্টরদা দিরেক্সন পীখি।

সারিফনা থৌদোক অদু পাকিস্থানগী য়েক্নবশিংগী খুৎনি হায়না ফোঙদোকপগা লোয়ননা মখোয়বু মালেমদগী মুখুৎকনি হায়নসু লাউথোকখি। সস্পেক্টশিং অদু ফাবদা ফেদরেল গভর্নমেন্টনা মপুং ফাবা কোওপরেসন পীগনি হায়না মহাক্না ভিক্তিমশিং অদুগী ইমুংশিংদসু থাজবা পীখি।

চৈরকসিদা বিলাৱল ভুটোনা সস্পেক্টশিং অদু খুদক্তা ফাননবা মরী লৈনবশিংদা আপিল তৌখ্রে।

মহাক্না হায়খি, মদুদি কনামত্তনা লৈবাক অদুদা কাঙলুপ মশেলগী মরক্তা চান-চিন্ননা লৈমিন্নরিবদুদা অমসুং নেসনেল য়ুনিটিদা অকায়বা পীহল্লোই।

# ইজরেল্লি সেট্টলরশিংনা অল-অক্সা মোস্কতা থোমজিন্নবা থৌরাং তৌবগী মায়োক্তা হামাসনা ৱার্নিং তৌখ্রে



জেরুসালেম, মে ১৫ (এজেন্সী): ইষ্ট জেরুসালেমগী অল-অক্সা মোস্ককী কম্পাউন্দদা থোমজিন্নবা ইজরেল্লি সেট্টলরশিংনা থৌরাং তৌবগী মায়োক্তা গাজা ষ্ট্রিপ চল্লাইরিবা মিলিটেন্ট ওর্গনাইজেসন হামাসনা ৱার্নিং তৌখ্রে।

নোংমাইজিং নুমিৎকী অঙনবদা জিৱিস টেম্পল মাউন্টকা মরী লৈনবা গ্রূপশিংনা নোংমাইজিং নুমিত্তা অল-অক্সা মোস্কতা চৎতুনা চহীগী ওইবা অনীশুবা পাসওবর হোলিদে সেলেব্রেসন তৌননবা জিয়ুশিংদা আপিল তৌখি।

চহী অসিগী ওইনা হোলিদে অদু পেলেষ্টিনিয়নশিংনা চহী খুদিংগী মে ১৫ দা পাঙথোক্তুনা লাকপা নাকবা ডে নত্ত্রগা ডে ওফ ডি কাটাষ্ট্রোফিগা ফাঙজিন্নরিবনি। কুমজা ১৯৪৮ দা ইজরেলনা নিংতম্লে হায়না লাউথোকখিবা মতুংদা পেলেষ্টিনিয়নশিংনা নুমিৎ অদুবু নাকবা ডে হায়না ওবজার্ব তৌদুনা লাকখি।

গাজাদা হামাসকী স্পোক্সমেন হাজিম কাসেমনা পাউমীশিংদা হায়খি, মদুদি পেলেষ্টিনিয়নশিংনা ৭৪ রক শুবা নাকবা ডে সেলেব্রেসন তৌরিঙৈ নোংমাইজিং নুমিত্তা টেম্পল মাউন্টকী গ্রূপশিংবু অল-অক্সা মোস্কতা থোমজিনহনবা অসিনা খুদোংথীনিংঙাই ওইরবা উংখৎনবা ফিভম অমা লাকহনগনি অমসুং থৌওং অদু ঐখোয়গী মীয়ামগী সেন্টিমেন্টদা শোকহনগদবা কায়হৌবগী খোঙথাংগা মান্নগনি।

মসিনা ইজরেল্লি ওকুপেসন ফোর্সশিংদা পেলেষ্টিনিয়ানশিংগা হকথেংননা খুৎ থোকহল্লক্কনি। করিগুম্বা ফিভম অদু লাকপা তারবদি ইজরেলনা মদুগী থৌদাং মপুং ফানা লৌগদবনি হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি।

ওল্ড সিটি জেরুসালেমদা লৈরিবা জিয়ুশিংনা টেম্পল মাউন্ট হায়না খঙনবা অল-অক্সা মোস্ক কম্পাউন্দ অদু ইস্লাম অমসুং জুদাইজম অনীমক্কী মীওইশিংনা শেংলবা মফম অমা ওইনা লৌনরিবনি। ইজরেল্লি সেট্টলরশিংনা মোস্ক অদুদা থোমজিন্নবা থৌরাং তৌরিবা অদুবু থেংননবা নোংমাইজিং নুমিত্তা মোস্ক অদুদা পুন্ননবা কাসেম্না ৱেষ্ট বেঙ্ক, ইষ্ট জেরুসালেম অমসুং ইজরেলদা লৈরিবা পেলেষ্টিয়নশিংদসু আপিল তৌখি। হৌখিবা এপ্রিলদা জিৱিস পাসওবর হোলিদেগা মুস্লিমশিংগী শেংলবা থা রামদানগা ফাঙজিন্নখিবা মতমদা অল-অক্সা মোস্ক কম্পাউন্দদা পেলেষ্টিনিয়ন ৱারশিপ্পরশিং অমসুং ইজরেল্লি পুলিসকী মরক্তা কন্না খুৎ থোক্লখিবনি। মদু জিৱিস কাঙবুশিংনা শেংলবা মফম অদুদা চঙবগা মরী লৈনখি।

অল-অক্সা মোস্কতা লেপ্পুনা উংখৎনবা হেনগৎলকপা অসিনা খুৎলায় পায়বা পেলেষ্টিনিয়ন ফেক্সনশিং অমসুং ইজরেলগী মরক্তা কুমজা ২০২১ গী মেদা গাজা ষ্ট্রিপতা চথখিবা অচৌবা ওফেন্সিব অদুগা মান্ননা মিলিটরিগী মুক্নবা অমা লাকপা য়াবগী অকিবা লৈহল্লে হায়রি।

কুমজা ১৯৬৭ কী মিদ্দল ইষ্ট ৱারদা ইজরেলনা ৱেষ্ট বেঙ্ক অমসুং গাজা ষ্ট্রিপকা লোয়ননা পায়শিনখিবা ইষ্ট জেরুসালেম্বু পেলেষ্টিনিয়নশিংনা মখোয়গী তুংদা শেম্লক্কদৌরিবা নিংতম্বা ষ্টেটকী কেপিটেল ওইহনবা পাম্লিবনি।

# মে ১৮ দা এটেক্ট চথরকপা য়াই হায়বা পাউ ফঙবদগী শ্রী লঙ্কাদা সেক্যুরিটিগী চেকশিন থৌরাং কনখৎলগনি



কলম্বো, মে ১৫ (এজেন্সী): শ্রী লঙ্কান গভর্নমেন্টগী মায়োক্তা লান হৌরম্বা হৌজিক্তি মথৌ লেপখ্রবা লিবরেসন টাইটর্স ওফ তামিল ইলাম (এলটিটিই) মিলিটেন্ট গ্রূপকী হান্নগী কাদরশিংনা মে ১৮ তামিল জেনোসাইদ রিমেম্ব্রেন্স ডেদা এটেক্ট কয়া চথনবা থৌরাং তৌরি হায়বা রিপোর্ট খরা ইন্দিয়ান মেদিয়াদা ফোঙনখিবা মতুংদা শ্রীলঙ্কাগী দিফেন্স মিনিষ্ট্রিনা ইথৎ লৈবাক অদু শিন থুংনা সেক্যুরিটিগী চেকশিন থৌরাং কনখৎলগনি হায়না লাউথোকখ্রে।

মুল্লিভাইক্কল রিমেম্ব্রেন্স ডে হায়না খঙনবা তামিল জেনোসাইদ রিমেম্ব্রেন্স ডে অসি চহী খুদিংগী শ্রী লঙ্কাগী তামিলশিংনা মে ১৮ দা ওবজার্ব তৌদুনা লাক্লি।

মে ১৮ অসি কুমজা ২০০৯ দা চহী ২৫ হেল্লক্লবা ইথৎ লৈবাক অদুগী সিভিল ৱার লোইশিনখিবা নুমিৎনি। এলটিটিইগী লুচিংবা ভেলুপিলাই প্রভাকরন হাৎখিবগা লোয়ননা নুমিৎ অদুদা মতম শাংলক্লবা সিভিল ৱার অদু লোইশিল্লক্লে হায়না শ্রী লঙ্কান গভর্নমেন্টনা লাউথোকখিবনি।

ইন্দিয়াগী হিন্দু পাউচেনা মে ১৩ দা ফোঙখিবা রিপোর্ট অমগী মতুংদা শ্রীলঙ্কাগী দিফেন্স মিনিষ্ট্রিনা হায়, ইনফোর্মেসন অদুগী মতাংদা ইনক্বারি চথরবা মতুংদা ইন্দিয়ান ইন্টিলিজেন্স এজেন্সিশিংনা শ্রী লঙ্কাদা ইনফোর্মেসন অদু জেনরেল ইনফোর্মেসন ওইনা পীরকখিবনি অমদি হিরম অসিগী মতাংদা থিজিনখিগনি অমদি শ্রী লঙ্কাদা পাউ পীনবা লৌখৎফম থোকপা খোঙথাং লৌখৎলগনি হায়না খঙহল্লকখি।

নেসনেল সেক্যুরিটিগী ৱাফমগা মরী লৈনবা ইন্টিলিজেন্স অমসুং সেক্যুরিটি ফোর্সশিংনা ফঙখিবা ইনফোর্মেসন অদুগী মতাংদা ইনভেষ্টিগেসন চথরগনি অমসুং মখা তাবা খোঙথাংশিং লৌখৎতুনা সেক্যুরিটিগী চেকশিন থৌরাংশিং কনখৎলগনি।

হিরম অসিগী মতাংদা মরী লৈনবা সেক্যুরিটি ফোর্সশিংদা খঙহল্লগনি হায়না মিনিষ্ট্রি অসিনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

কুমজা ১৯৪৮ দা নিংতম্বা ফঙখিবদগী শ্রী লঙ্কানা লৈবাক অসিগী খ্বাইদগী শাথিবা শেল থুমগী ক্রাইসিস মায়োক্নরিঙৈ মরক্তা এলটিটিইগী হান্নগী কাদরশিংনা হৌজিক লৈরিবা শেল থুম অমদি পোলিটিকেলগী ফিভম অদুগী খুদোংচাবা লৌদুনা ইথৎ লৈবাক অদুদা এটেক্টশিং চথনবা অমুক হন্না পুনশিন্নবা হোৎনরি হায়না ইন্টিলিজেন্স এজেন্সিশিংনা ৱার্নিং তৌখি।

# মরিওপোলদগী য়ুক্রেনিয়ন ফোর্সশিং লৌথোকপদা মতেং পাঙনবা চাইনাদা হায়জখ্রে




কিভ, মে ১৫ (এজেন্সী): মরিওপোলদগী য়ুক্রেনিয়ন ট্রুপশিং লৌথোকপদা মতেং পাঙবীনবা অজোবষ্টালদা লৈরিবা ফোর্সশিংগী মরী মতাশিংনা চাইনাদা হায়জখ্রে।

ফাইটরশিং অদুগী মরী মতাশিংনা প্রেস কনফরেন্সতা হায়খি, মদুদি ঐখোয়না চাইনাদা মীৎয়েং চঙলক্নবা অমদি লান অসিদা পিছমেক্কর ওইদুনা ঐখোয়গী ফাইটরশিংবু অজোবষ্টালদগী লৌথোকপদা মতেং পাঙনবা হায়জরি।

ফোর্সশিং অদুগী মরি মতাশিংনা চাইনাদা মরিওপোলগী দিফেন্দরশিং, অশোকপা লান্মীশিং, লান্মীশিংগী অশিবা হকচাংশিংবু অহুমশুবা লৈবাক অমদা পুবীদুনা লান অসিবু লোইদ্রিবা ফাওবা মফম অদুদা লৈহন্নবা হায়জরি।

অসিগুম্বা লৈবাক অদু টর্কি ওইবা য়াই। লৈবাক অসিগী প্রসিদেন্টনা মরিওপোলদা লৈরিবা য়ুক্রেনিয়ন লান্মীশিং অদু লৈবাক অসিদা পুরক্তুনা থম্বগী ৱাফম য়ানিংবা ফোঙদোকখ্রবনি।

অজোবষ্টালগী দিফেন্দরশিং অদুগী মরি মতাশিংনা হায়খি, মদুদি মখোয়না লৈবাক পুম্নমক্কী লুচিংবশিংদা আপিল তৌবা লৈখ্রে। মখোয়না হৌজিক ফাওবদা হিরম অসিগা মরী লৈননা আপিল তৌদ্রিবা অমত্তা ঙাইরবা লৈবাক্তি চাইনানি। ৱাল্ডগী ভেল্যুশিং কন্নবা, মরিওপোলগী দিফেন্দরশিংবু কন্ননবা লৌখৎফম থোকপা খোঙথাং খুদিংমক লৌখৎনবা ঐখোয়না সি জিনপিংদা হায়জরি হায়না অজোবষ্টালগী দিফেন্দরশিংগী মরি মতাশিংগী ৱারোল পল্লদুনা য়ুক্রাইন্সকা প্রাবদানা মসিগী রিপোর্টতা হায়খি।

মখোয়গী মতুং ইন্না য়ুক্রেনগী লুচিংবশিংনা সি জিনপিংদা হিরম অসিগী মতুংদা ওফিসিএল লেট্টর অমা থাখ্রে।

মিনিষ্ট্রি ফোর রিইন্টিগ্রেসন ওফ ডি টেম্পররিলি ওক্যুপাইদ টেরিটোরিস ওফ য়ুক্রেনননা হায়খি, মদুদি টর্কি, য়ুনাইটেদ নেসন্স অমসুং ইন্টরনেসনেল কম্মিটি ওফ ডি রেদ ক্রোসনা ৱাতেমদুনা অজোবষ্টাল ষ্টিল ৱার্কসতগী মিলিটরি পার্সনেলশিং হোন্দোক্লবগী মতাংদা নিগোসিএসন চথরি।

খ্বাইদগী হেন্না ফিভম থীনা শোক্লবশিংনা হান্না মফম অদুদগী হোন্দোক্কদবনি। অজোবষ্টালদগী করম্না হোন্দোক্কদগে হায়বগী মতাংদা য়ুক্রেননা দোক্যুমেন্ট অমা খুৎয়েক পীনবা পাম্মী।

হিরম অসিগী মতাংদা শেম শাবগী থবক চথরি হায়না রিপোর্ট অদুদা পনখি।

চৈরকসিদা য়ুক্রেনিয়ন ফোর্সশিংনা খর্কিপকী লানদা মায় পাকপগী মওং উবা ফঙলে হায়না য়ুএস দিফেন্স থিঙ্ক টেঙ্ক অমনা ফোঙদোকখ্রে। থা অমরোমগী মমাঙদা রসিয়ন ট্রুপশিং কিভ অমদি অৱাং নোংপোক থংবা লমদমদগী ৱিদ্রো তৌখিবদগী য়ুক্রেনিয়ন ফোর্সশিংনা খ্বাইদগী য়াঙনা ওক্যুপায়রশিংগা লাম্থেংনদুনা মায় পাকপা ঙমখিবনি। ৱ্লাদিমির পুটিনগী লানগী পান্দমশিংদা চৈথেং পীবা অতোপ্পা খোঙথাং অমদা এনালিষ্টশিংনা থাংজ নুমিত্তা হায়খি, মদুদি রসিয়ন য়ুনিটশিং সিটি অদুগী অকোয়বদা য়ুক্রেনিয়ন ট্রুপশিংনা চথরিবা কাউন্টর এটেক্টশিং মায়োক্না ঙমদ্রে।

# নোর্থ নোরিয়াদা কোভিদ কেস ৱাংখৎলক্লি, মীওই ১৫ নৌনা শিখ্রে

পিওংয়াং, মে ১৫ (এজেন্সী): নোর্থ কোরিয়াদা কোভিদ ইনফেক্সন ৱাংখৎলকপগা লোয়ননা নোংমাইজিং নুমিত্তা লৈবাক অসিদা মশক খঙদবা ফিভরনা মরম ওইদুনা মীওই ১৫ সু ইনৌ নৌনা শিখ্রে হায়রি।

লৈবাক অদুগী হেল্ঠ ওথোরিটিশিংগী মতুং ইন্না শেল থুমদা শোথারবা লৈবাক অদুদা লোকদাউন চৎনহনখিবা মতুং নুমিৎ মরিনিগী মনুংদা পুন্না মীওই ৪২ শিখ্রে।

ষ্টেট ন্যুজ এজেন্সি কেসিএনএগী রিপোর্টনা হায়, গভর্নমেন্টনা ইম্মজেন্সি থৌরাংশিং লৌখৎতুনা কোভিদ লাইচৎ থেংননবা হোৎনরি। লৈবাক অদুগী প্রোভিন্স, সিটি অমসুং কাউন্টি পুম্নমক মপুং ফানা লোকদাউন থম্লে অমসুং ৱার্কিং য়ুনিটশিং, প্রদক্সন য়ুনিটশিং অমসুং রেসিদেন্সিএল য়ুনিটশিং মে ১২ গী অয়ুক্তগী থিংখিবগা লোয়ননা মীপুম খুদিংমক অকনবা মওংদা লায়না অসিগা মরী লৈননা একজামিনেসন চথরি।

লাইচৎ অদুবু অচৌবা অৱাবা থৌদোক অমনি হায়না ফোঙদোক্লদুনা নোর্থ কোরিয়াগী লুচিংবা কিম জোং উননা রুল্লিং ৱার্কর্স পার্টিগী মেম্বরশিংগা লোয়ননা ইম্মার্জেন্সি মীফম অমা পাঙথোকখি।

মহাক্কী ৱারোল পল্লদুনা কেসিএনএনা হায়, করিগুম্বা ঐখোয়না ইপিদিমিক পোলিসি ইমপ্লিমেন্ট তৌবদা অচেৎপা মীৎয়েং থম্বগা লোয়ননা পার্টিগী য়ুনিটিগী ৱাখল্লোনদা য়ুম্ফম ওইরগা ওর্গনাইজেসনগী পৱার অমসুং কন্ট্রোল নীংথিনা মেন্টেইন তৌরবদি অমদি ঐখোয়না লাইচৎ অসিগী মায়োক্তা চঙশিল্লিবা লাঞ্জং অসি কনশিলহনবা ঙল্লবদি ক্রাইসিস অসি ইরায় লায়না লাকশিনবা ঙমগনি।

# চাইনিজ সিটিজনশিং তঙাই ফদবগী নত্ত্রবদি মপানদা চৎপদা অথিংবা থমখ্রে

বৈজিং, মে ১৫ (এজেন্সী): চাইনাগী ওথোরিটিশিংনা দিফেক্তো ইন্টরনেসনেল ট্রাবেল বেন্দ থমদুনা লৈবাক অসিগী সিটিজনশিংবু তঙাই ফদবা মরমগী নত্ত্রবদি মপানদা চৎপদা অথিংবা থমখ্রে। গভর্নমেন্টনা জেরো-কোভিদ পোলিসি নমদুনা চৎনহন্নবা হোৎনরকপদা খোঙথাং অসি লৌখৎলকপনি হায়না মেদিয়া রিপোর্টশিংনা হায়রি।

চাইনিজ নেসনেল ইম্মিগ্রেসন এদমিনিষ্ট্রেসন্না হায়খি, মদুদি পাসপোর্টশিংগুম্বা ট্রাবেল দোক্যুমেন্টশিং ইস্যু তৌবগী প্রোসেস এদমিনিষ্ট্রেসন অসিনা রিভিয়ু তৌরগনি অমসুং লৈবাক অসিদগী মপানদা চৎনবা হোৎনরিবা মীওইশিং মরম চাদ্রবদি অথিংবা থম্লগনি। লৌখৎলক্লিবা থৌরাংশিং অসি অচুম্বা খোঙথাংনি হায়রদুনা এদমিনিষ্ট্রেসন্না মদু লৈবাক অসি থাদোকপা মতমদা ইনফেক্সনগী রিস্ক হন্থহনবা অমসুং লৈবাক অসিদা চঙলকপা মতমদা ভাইরস অসি পুশিল্লকপগী রিস্ক হন্থহনবদা য়াম্না মথৌ তাই হায়না ক্লেম তৌখি।

মপানদা চৎপা অসি য়াম্না তঙাই ফদবা হিরমশিংগী ওইনদি অয়াবা পীগনি। এদমিনিষ্ট্রেসন্না অয়াবা পীগদৌরিবা মরমশিংগী মনুংদা থবক মখা চত্থবা, ষ্টদি, বিজিনেস অমসুং সাইন্টিফিক রিছার্সকা মরী লৈনবা খোঙচৎ অমসুং অনা লায়েংগা মরী লৈনবা খোঙচৎ য়াওরি।

গভর্নমেন্ট এনাউন্সমেন্টগী মতুং ইন্না পেন্দেমিক অসিবু থেংনবদা মতেং পাঙনবা নত্ত্রগা দিজাষ্টর রিলিফ রিছোর্সশিং পুবদা মতেং পাঙননবা মপানদা চৎপা মথৌ তারিবশিংগী এপ্লিকেসনশিং থুনা য়েংশিনগনি।

# মীখলগী মাঙওইননা সোমালি ফোর্সশিংনা অল-সবাবকী টেরোরিষ্টশিং ফাগৎখি



মোগাদিসু, মে ১৫ (এজেন্সী): নোংমাইজিং নুমিৎকী প্রসিদেন্সিএল ইলেক্সনগী মাঙওইননা সোমালি নেসনেল আর্মি (এস এন এ) এলিট ফোর্সশিংনা লৱার সাবেলি রিজনগী মফম কয়াদা ওপরেসন চথখিবগা লোয়ননা অল-সবাবকী টেরোরিষ্ট অনী ফাগৎখ্রে।

এসএনএগী ১৬ শুবা ধনাব য়ুনিটকী কম্মান্দর মোহম্মদ অব্দুল কাদির আলিনা মেদিয়াদা হায়খি, মদুদি লোকেলশিংবু নমদুনা জাকট হায়না খঙনবা টেক্স থিহল্লিবা অল-সবাবকী মিলিটেন্টশিং তান্নবগী পান্দমগা লোয়ননা ওপরেসনশিং চথখি। ঐখোয়গী ফোর্সশিংনা ওপরেসন অদুদা অল-সবাবকী মিলিটেন্ট অনী ফাবগা লোয়ননা একে ৪৭ রাইফল অমসু রিকোভর তৌখি। ঐখোয়গী পান্দদি অল-সবাব টেরোরিষ্ট পুম্নমক লৈবাক অসিদগী মুথুৎপা অসিনি। মিলিটেন্টশিংগী মায়োক্তা চথরিবা ওপরেসন অদু লৈবাক শীন থুংনা কনশিল্লগনি।

কেন্দিদেট ৩৯ না কন্টেষ্ট তৌনগদৌরিবা প্রসিদেন্সিএল মীখলগী মাঙওইননা সোমালিয়াগী কেপিটেল মোগাদিসু অমসুং মসিগী অকোয়বদা সেক্যুরিটিগী অকনবা চেকশিন থৌরাংশিং লৌখৎপা লৈরিঙৈদা ইনৌ নৌনা অল-সবাবকী মিলিটেন্টশিং অদু ফাখিবনি।

থাংজ নুমিৎকী নুমিদাংদগী কার্ফ্যিু থম্লকখি। পুলিস স্পোক্স পার্সন অদিফাতাহ অদে হাসন্না মোগাদিসুদা লোকেল মতমদা থাংজ নুমিৎকী নুমিদাং পুং ৯ দগী নিংথৌকাবা নুমিৎকী অয়ুক পুং ৬ ফাওবা মীয়াম্না চথোক চৎশিন তৌবা থিংলে হায়না লাউথোকখি অমসুং মফম অদুগী মীওইশিংনা মীখলগী মমাঙদা য়ুমদগী হেন্দোক্তনবা পাউতাক পীখি।

হাসননা হায়খি, মদুদি লোকদাউন মনুংদা লাকপা ইম্মজেন্সিগী ফিভমশিংদা রেস্পোন্দ তৌনবা মখোয়না স্পিসিএল কম্যুনিকেসন সেন্টর অমা লিংলে।